# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 28-01-2025)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা দাইরেক্তর জেনরেল বোর্দর রোদকা উন্নদুনা হায়ৰেশিং শেমগৎ শাগৎপগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চখরি।

**অমসুং**

৩) লৈবাক অসিদা ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সন পাঙথোকবা হোৎনবদা নহাশিংনা মসিগী মতাংদা কুপা খন্ননবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা আপিল তৌরি।

**সিএম(এল)ঃ** দাইরেক্তর জেনরেল বোর্দর রোদ লেফটনেন্ট জেনরেল রঘু শ্রীনিভাসন বিসিট সেভা মেদলনা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহগা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা রাজ্য অসিদা হৌজিক পায়খৎলিবা হায়ৰেশিং শেমগৎ শাগৎপগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি। লূচিংবা অনিনা মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক লমদমদা লম্বী-থোংগী ফীভম ফগৎহন্নবা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিংগী মতাংদসু ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি।

মুখ্য মন্ত্রিনা সভাপতি ওইদুনা ঙরাং ইম্ফালদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েত্তা আর্ম ফোর্সেস ভেটরান্টশিংগা মীফম পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা সেক্যুরিতিগী ফীভম অমসুং মসিবু ঙাকশেন্নবা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা ৱাফমশিং খন্নখি হায়রি। মুখ্য মন্ত্রিনা

হায়-আর্ম ফোর্সেস ভেটরান্টশিংনা পীরকপা মোটনা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা পুরকবা হোৎনবদা য়ামা মরু ওই।

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। মণিপুর পুলিসনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী মখাদা লৈবা থোংজ পিচু লম্পাক পুখ্রি ময়াদগী কে.সি.পি(এম.এফ.এল)গী মীওই অমা ফারে হায়রি। মহাক শিংজমৈ অমসুং থোংজ এরিয়াদা লৈবা দুকানশিংদগী শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইনি । মঙোন্দগী মোবাইল হেন্দসেট অমা চকা অনি পানবা গারি অমা ফংলে হায়রি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং থৌবাল জিলাগী লিল্লোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ৱাইথৌ-থিয়াম আই.ভি.আরদগী কে.সি.পি(তাইবংঙানবা)গী মীওই অমা ফারে হায়রি। মঙোন্দগী ৱায়রলেস হেন্দ সেট অমা, নাইন এম.এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ৬ ফংলে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়-হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা মন্ত্রিপুখ্রিদা মৈ থারম্বগী থৌদোক্কা মরি লৈননা ঙরাং মীওই অনি ফারে । মখা তানা থিজিল্লি। মমাঙ চহীগী নবেম্বর ১৬ তা এম.এল.এশিংগী য়ুমগী লন থুম মাং তাকহনখিবগা মরি লৈননা ককচিং জিলাদা ঙরাং মীওই অমা ফারে।

অকনবা চেকশিল থৌরাংগা লোয়নননা নেসনেল হায়ৱে টু অমসুং নেসনেল হায়ৱে ৩৭ দা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গারি ২৭৫ অমসুং ২৩২ পুশিল্লকখ্রে।

**এআর(এল)ঃ** অককবা পাউ অমা ফঙবদগী অসাম রাইফল অমসুং মণিপুর পুলিসনা থৌবাল জিলাগী ৱাইথৌদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা কে.সি.পি(টি) কাংলুপকী মীওই অমা ফারে হায়রি। মঙোন্দগী নোংমৈ মরু ৬ ফংলে হায়রি। ফারবা মীওই অদু মণিপুর পুলিসতা শিন্নখ্রে।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা তেংনৌপল জিলাদা কলচরেল প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা, তেংনৌপল গভর্ণমেন্ট হায়স্কুল অমসুং

সিটা গভর্ণমেন্ট হায়স্কুলগী মহৈরোই অমসুং ওজাশিং শরুক য়াখি।

**সিঈও(এল)ঃ** 'দ সেক্স্যুএল হেরাশমেন্ট ওফ ৱিমেন এট ৱার্ক প্লেস (প্রিভেন্সন, প্রোহিবিসন এন্দ রিদ্রেসেল)এক্ট ২০১৩' হায়বসিগী মতাংদা নোংমগী ওইবা সেন্সিতাইজেসন প্রোগ্রাম অমা ঙরাং লম্ফেলপাৎ, ইম্ফালদা লৈবা চিফ ইলেক্তোরেল ওফিসর ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি ইলেক্সন বিভাগকী নুপী কর্মচারিশিংদা এক্ট অসিগী মতাংদা হেন্না খঙহন্নবনি। থৌরম অদুদা ইন্টরনেল কমপ্লেন্ট কম্মিটিনা তৌগদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু খঙহনখি।

**তামেংলোং(এল)ঃ** মমাঙ চহীগী নবেম্বরদা মণিপুর ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা সেটিলাইট ত্রান্সমিতর হাপ্তুনা থাদোকখিবা অমুর ফেলকোন অনি বোটস্বানাগী কলাহরিদা থুংখ্রে। ৱাইল্ড লাইফ ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়াগী সাইন্তিস আর.সুরেশ কুমারগী পাউ পল্লদুনা ঐখোয়গী তামেংলোং পাউমীনা হায়-মণিপুরগী তামেংলোং জিলাগী খূল অনিগী মমিং থোনখিবা চিয়ু লুৱান টু অমসুং ৱাঙ্গ্রমগী মনুংদা চিয়ু লুৱান টু কলাহরিদা থুংখিবনি।

ৱার্কশোপ(এল)ঃ থা অমা চুপা চথুরকপা অঙাংশিংগী ওইবা ৱার্কশোপ অমসুং অনৌবা প্রদক্সন ফিসারোলগী লোইশিনবগী থৌরম ঙরাং জে.এন.মণিপুর দান্স একাদেমি মণিপুরদা পাঙথোকখ্রে। কোস্মোপোলিতান কলচরেল ইন্সটিট্যুট পিসুমথোং নিঙোম লৈরকা শিন্দুনা চথুরকপা ৱার্কশোপ অদুদা ষ্টেট কলা একাদেমিগী সেক্রেটরি থোকচোম সুনন্দ দেবীনচিংবা শরুক য়াখি।

**পিএমঃ** লৈবাক অসিদা ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সন পাঙথোকবা হোৎনবদা নহাশিংনা মসিগী মতাংদা কুপা খন্ননবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা আপিল তৌরি। শ্রী মোদিনা হায়-মীখল মতম মান্নদনা পাঙথোকপনা লৈবাক অসিগী থবক থৌরমশিং পাঙথোকপদা চাউনা থিন্থহল্লে। নিউ দেল্লিগী কারিয়াপা পেরেদ

গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা চহীগী ওইবা এন.সি.সি রেল্লিদা শরুক য়ারদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসি চাউখৎনবা হোৎনবদা নহাশিংগী শক্তী য়ামমক তঙাইফদে। মহাকা হায়-হৌখিবা চহী ১০ অসিদা স্তার্ট অপ লাখ অমা লিশিং ৫০ রোম নহাশিংনা হৌদোকখি অমদি মখোয়শিং অসি হৌজিক মালেমগী মকোক থোংবা কম্পনিশিং ওইরি। শ্রী মোদিনা হায়-নহাশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং লৌথোক্তুনা সরকার অসিনা হৌখিবা চহী ১০ অসিদা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া মরুম লৌখৎলে। মুদ্র য়োজনা, নেসনেল ইদ্যুকেসন পোলিসিনা নহাশিংবু স্কোলরশিপ লৌবগী খুদোংচাবা হেন্না লাইথোকহল্লে। লৈবাক অসিবু অমত্তা ওইনবা হোৎনবদা মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়রদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মীয়ামা কোলোনিয়েলগী ৱাখল্লোন থাদোক্তুনা চাউখৎপা ভারত অমা ওইনবা হোৎনগদবনি। মীয়ামগী অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোনগী চপ চাবা ফীভম হৌজিক পাঙথোক্লিবা মহাকুম্ভ মেলাদা উবা ফংলে। এন.সি.সি.কেদেদশিংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অসি শেমগৎনবা হোৎনবদা এন.সি.সিনা নহাশিংদা ইথিল পীদুনা লাক্লি। মহাকা হায়-হৌখিবা চহী ১০ অসিদা এন.সি.সি.কেদেদ লাখ ১৪ দগী লাখ ২০ দা হেনগৎলে।

**ফাইনান্সঃ** কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমলা সিতারমননা শেনবা চহী ২০২৫-২৬কী কেন্দ্রগী বদজেট মথং থাগী অহানবদা পুথোক্লবা য়াই। লাক্কদৌরিবা বদজেট মীফম অসিদা সরকারনা মালেমগী ওইনা শেল থুমগী মতাংদা মায়োকরিবা খুদোংচাদবশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা শেল থুমগী হীরমশিং পুথোক্লবা য়াই। কেন্দ্রগী বদজেট পুথোক্ত্রিঙৈ মাংওহননা অকাশবানি নিউজ দিভিজননা অখঙ অহৈশিং অমদি মীয়ামগী মোট লৌরি। অকাশবানিগা উন্নবা অমদা এগ্রিকলচর স্তার্ট অপকী ফাউন্দর য়ুসুফ রাফিকনা হায়-সরকারনা য়ারবমখৈ লৌউ শিংউগী লমদা ওগানিক্কী ওইবা পোথোকশিং সর্তিফিকেট পীবদা অহেনবা মীৎয়েং চংহন্নিংঙি।

**এরেষ্টঃ** হিমাচল প্রদেশতা নুপী অমা ইজৎ মাংহল্লবা মতুং হাৎতোকখিবগী কেসকা মরি লৈননা হান্নগী ইন্সপেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস অমা য়াওনা পুলিস ওফিসর ৮ মপুন্সি চুপ্পা ফাদোক পীখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা চান্দিগরদা সি.বি.আই কোর্ট অমনা ৱারেপ তাখ্রে।

হিমাচল প্রদেশকী ইতিহাশতা অহানবা ওইনা স্পিসিএল ইনভেষ্টিগেসন টিম অমনা থিজিল্লিবা কেস অমগা মরি লৈননা কোর্টনা মদুদা চেন্নরিবা মীওইশিংবু মপুন্সি চুপ্পা ফাদোক পীখিবা অসি অহানবনি। ইং কুমজা ২০১৭ কী জ্লাইদা শিম্লা জিলাগী কোটখাই লমদমদা গুরিয়া ইজৎ মাংহল্লবা মতুং হাৎতোকখিবগী থৌওং অদুনা রাজ্য অদুদা অচৌবা ৱাথোক ওইখি। থৌদোক অদুদা মরুওইনা চেন্নরিবা সুরশ পুলিসনা ফুবদগী কষ্টদিদা শিখিবনি। মদুগী মতুং তারকপদা কোর্টনা হান্নগী আই.জি.পি অমসুং পুলিস ওফিসর ৮ দা মরাল লৈরে হায়না রাই তাখিবনি। মদুগী মথক্তা মরাল লৈরবা মীওইশিং অসিনা লুপা লাখ অমমমগী ফাইনসু থিগদবনি।

**--পাউ লোইজরে--**

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

৭৬ শুবা রিপব্লিক ডেগী থৌরম পাঙথোকখিবা অমসুং থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং, বিটিং দ রিত্রিট পাঙথোকখিবা, ক্লাশিকেল দান্সর সুর্য মুখিদা পদ্মাশ্রী এৱার্দ পীরকপা, কে.এন.এ(বি)গী কাদর ১০ শিরম্বা য়াই হায়বা পাউ, সরকারনা ইর্ন্টিগ্রেতেদ এন্টি-এক্সতোর্সন সেল হাংদোকখিবগী পাউ ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙনরি।

কিহল্লগা লৈবাক ঙাক্কে খনগনু, ঐসু নঙগুম্বা কেন্দ্র অমগী মীহুৎনি: রামেস্বর হায়বা পাউ সনালৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হু চেনবা য়ু থক্লুবগীদমক অসাম রাইফলসকী পর্সনেল অমা শিরে, মরি লাইকন্নরি হায়বা পাউনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নিংতম্লবসু, বি.জে.পি লৈঙাক্কী মখাদা নিংতম্বগী মহাউ ফংলিব্রা: ইবোবী হায়বা পাউনা ইচেল এক্সপ্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

রিপব্লিক ডেগা মরি লৈননা রেদফোর্দতা পাঙথোকপা ভারত পর্ব এগজিবিসনদা মণিপুরগী শগোল কাংজৈ (পোলো) উৎখিবা অমসুং অসামগী লৌমীশিংনা তিলহাৎ হিদাক কা-হেন্না শিজিন্নবগী পাউ পীপলস ক্রোনিকলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

এন.সি.সি.এফকী ভারত রাইস লোঞ্চ তৌদুনা ফঙহনবা হৌখ্রে, সেন্তরনা ব্রেন ত্যুমর লায়েংবগী মহুৎতা উরিং লায়েংদুনা লৈরে হায়বা পাউ পোকফমগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

এন.পি.পি এম.এল.এ মরিগী মথক্তা পীতিসন ফাইল তৌখ্রে-হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

কোলকতা এয়রপোর্টতা মণিপুরদগী মীওই অমা চোংথরকপদগী শিরে, কুকি ভোল্যুন্তিয়রশিংনা আর্ম দ্যুতি য়াওবা পামদ্রবদি লূপা লাখ অনি ফাইন থিবগী মথক্তা চাকলেন খাঙগদবনি-হায়বা পাউ মণিপুর নিউজতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

দ্রগ লল্লোন্নবগীদমক অরোনবা টন্নেল লৈরব্রা হায়বা কোকোমিগী ৰাফম মিজোরাম পুলিস, দি.আর.আই, অমসুং এ.আরনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগী পাউ মোর্নিং বেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

নৌনা পেন্সন ফংলবশিংগী গ্রেচুইতি অমসুং কম্যুদেসন পীথোক্তবা চহী অনি ফাজিল্লক্কদৌরে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

উট্টরাখন্দ নেসনেল গেমসতা মণিপুরনা মেদল একাউন্ট হাংদোকখ্রে হায়বা পাউ মণিপুর মেলদা ফোঙলি।

গভর্ণমেন্টকী ইন্সটিট্যুসনশিং হেন্না ফগৎনবা পি.পি.মোদেল ওন্থোকপনা হেন্না ফরে হায়বসিনা নহারোলগী থৌদাংগী ইদিটোরিয়েল ওইরি।

ময়াই-কাবা নিশাগী মায়োক্তা হায়বসিনা সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীগী ইদিটোরিয়েল ওইরি।

উট্টারাখন্দনা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ চৎনবা অহানবা রাজ্য ওইরে-হায়বা পাউ তামেংলোং তাইমসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।